# হোজাই লমদম পাংলুবদা, শামুশিংনা তত্তুনা চৈথেং পীরিবা ঐখোয়গী ঈ মরীশিংদো

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -





"মধু কাছারদগী লাকপনি, চন্দ্রনা হোজাইদগীনি। মখোয় অনী য়াম্না লুনা তিন্নবা মরুপনি।" অঙাং ওইরিঙৈদা তমখিবা পাড়া অমদা য়াওখবনি। মসিনা ঐঙোন্দা কাছার অমদি হোজাই চৎনীংবগী অকনবা ইথিল পীদুনা লাকখি, ডাক্তর কমলগী শিলোংগী দৃশ্য পারুরগা শিলোং চৎনীংবা ফাওখিবা অদুগুম্না। শিলোংদা অনী/অহুম্লক চৎখ্রে। য়াম্না লাপ্পা লমসু নত্তবা মফম অনীসিমদি খঙ্বখক্তমক ওইদুনা অদুমক লাকখি। কনাগুম্বনা মরম হংলক্লবসু খুমফম খঙলোই, তাঙ্গা চাদবনি হায়বসি নত্তনা। তশেংবদি মরম অমা লৈতনা ইথন্তা ফুক হৌগৎলগা চৎপসু চৎনীংদে। চৎপা য়াবা মতাং লাকখিদবদি নত্তে। মতাংদুদনা ইশাগী ওইবা অচিনবা অমা হেক্তমক লাকখি। ইপা ইপুগী ৱাহৈদা হে লৈর থাঙ লৈত, থাঙ লৈর হে লৈত হায়বদুনি। চৎনীংবগী মরুওইবা মরম লৈ। অঙাং ওইরিঙৈদা খনখি, মৈতৈ ঐখোয়গী লৈফমসি মণিপুরখক্তনি। মণিপুর নত্তবা মৈতৈ তাবা অতোপ্পা লম ময়াম অমা লৈ হায়বসি খঙলকপদা মফমশিংদু নুংশিখি ইরমদমগুম্না। লংফৈ চৎখিবা মীওই কয়া বর্মাদা মাঙখিবগী পাউ তাই। খল্লি লৈবাক্তুদা লৈরিবা মৈতৈ তাবা খুন অমদা লৈরম্লে হায়বগী পাউ লাক্লবদি নুংঙাইনিকো। মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবতপু মীরোৎ তাহনখবনি, বর্মাগী তাংবো খুন্দো কয়াদা নুংশিখ্রবা, লুচিংবা অদুবু চঙজফম পীবিরম্লিবনি। মাগী মশাইকোন্দনি লুচিংবগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংনা য়াতাখিবদো। মণিপুরগী পুৱারী ইবদা চিংখবা য়াররোইদবা লমদম অমনি। থাঙ্গৈশেংনমক তাংবোদি মণিপুর পুৱারী শাগৎপদা চঙগদবা মচাক্লা পিক থল্লবনি। তাংবো খুন্দা লৈরম্বগী তাংকক য়াওদবা লুচিংবা ইরাবতকী পুন্সি অমসুং থবক করম্না মপূং ফাগনি। য়াম্না চৎচনীংখিবা হোজাই, কছার, বাংলাদেশ য়াওনা মৈতৈনা খুন্দাবা মপান লমগী খুন পূম্নমক পুৱারীগী থৌদোক ৱাথোক্কা মরী লৈনদবা য়াওদে। মসিদবু য়ৌরুবা ঙমদবা হায়বসি ইকায়ফম থোকপনি। ঐগীসে অদুক হাক্লা কম্যুনেল ওইরুবগী ৱাফমদি নত্তে। ঈ তিন্নরুবা মশেন হায়বদুনি। সিলচর, লক্ষিম্পুরনচিংবদা খঙনবা ইমান্নবা-ইমান্নবী খরা লৈখি। চৎপদি ঙম্বা কৌবা লৈতে।

মীওইবনা নীংবা খুদিংমক থুংগনি হায়বা লৈতে, অদুবু নীংবু নীংলবদি অমা অদুম লাকই হায়নবগী অচুম্বসু লৈ। মমাঙ চহী ২০১৮গী ফেব্রুৱারী থাদনি য়াম্না থাজদনা খা মণিপুর কোলেজ ককচীংগী এন্থ্রোপোলোজি অমসুং বোটানি দিপার্টমেন্ট অমসুং ৱাইখোম মনি গর্লস কোলেজ, থৌবাল অনীগী ওইবা ষ্টদি টুর অমা চৎপদা নপচবগী খুদোংচাবদু ফংজখি। ঐ য়াম্না নুংঙাইখি, নহা ওইরিঙৈদা চৎনীংখিবদুগী মথক্তা থিজিন হুমজিনবগা মরী লৈননা খৌরাংবা খরসু ফাওরকখিবা মতাংগা মপা চানরুবনি হায়রবসু য়াই। ওজা মেমোরী, রোমা, সদান্দা, ইঙোনচিংবা পূম্নমকপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচনীংই। ঐখোয়না হোজাইদা থুংলুবদু তাং ১৩গী অয়ুক পুং ৩.৩০দনি। লৈফমদি ওইনাম পুণিয়মাসিগী য়ুমদনি, নন্দপুর মমাঙ লৈকায় হোজাই, হোজাই দিষ্ট্রিক্টনি। হোজাইদগী পুরকপা পাম্বা খরগী মনুংদা ফংবা ঙমখিদবসু য়াওখিদবা নত্তে। নুমিৎ খরা শাংনা লৈরম্লবদি ফংলম্বসু খঙদে। ঐখোয়গী ফোকলোরগা মরী লৈনবা মচাক পুরক্লীংখিবনি, ইপেন পেনবা ঙমখিদ্রে। অদুবু অতোপ্পা কান্নবা মচাক ময়াম অমদি ফংবা ঙমজখিবদুনা মরম ওইরগা খোঙচৎ অদু মমল লৈবা খোঙচৎ অমা ওইখি হায়জনীংই। হোজাইদা খুল লিংবা হৌখিবা ইপা ইপুশিংদু থৌনা লৈবা ঙাক্তনি খল্লুবদা মখোয়গীদমক চাউথোকচবা ফাওই। শুক্লবা উমং-ৱামং, তমথীরবা শামু লমশানচিংবা কয়াগী মকোন ওইরবা মফম অদু কোকথোক্লগা খুন্দাবা হৌরকখিবনি হায়না পাউদম্বীরকখিবদু তাবদা তু চুংখি। য়ুবী, ক্বা, হরি খাগোক, চীংশু হৌদবা ইমুং লৈরমদৌ মান্দে। হৌজিক্তি ক্বা, য়ুবী পানবগী চাং হন্থরক্লে হায়। মরম হংলুবদা মোবাইল ফোন লাকপগীনি হায়না খুঞ্জা অমনা পাউখুম পীরকই। তিকি শাহৌবদু উবদা অঙাং ওইরিঙৈ মতম নীংশিংলক্তুনা পূক্নিং য়াম্না নুংশিখি। য়ূমথোঙ খুদিংদা শিবগী লাইশঙ থমদুনা ত্রিশুল য়ুংদুনা থল্লি। শিব লাইনীং চৎপগী ময়েক লারবা খুদমনি। ইয়োং ফি শাবগী থবক্তা নুপী খুদিংমক মায়পুনবা থৌদাং লৌহৌরি। খ্বাঙগী ফিদি কয়া শানদ্রে হায়।

হোজাইগী মীয়াম্না থেংনবা অৱাবশিংগী মনুংদা শামু লমশানা পীবা চৈথেংসু অমনি। য়ূম অয়াম্বা জি আই সিটনা ইকোয় কোয়না খাজিল্লি। শামুনা পীরক্কদবা চৈথেংদগী ঙাকথোক্লবনি হায়। মরমদি শামুশিংনা জি আই সিট অসি কিবা হৈনদবা ওই। য়ূম অয়াম্বদা ক্বা অমদি য়ুবী পাম্বীগী মকুশিং অদু পরেং-পরেং য়ান্দুনা থম্মী। হায়রিবশিংদু করিদা শীজিন্নবনো হংলুই। শামু ময়াম ময়াম অহিংদা লাক্লগা পীরগদবা খুদোংথীবশিংদগী কন্নবা য়াম্না কান্নরবা মচাক ওইরম্মী। য়ুবী অমদি ক্বা মপান শারকপা মতমদা মউশিংবু য়োমশিল্লম্বা মকুশিং অদু মথন্তা কেঞ্জরকই। মদু খোমজিল্লগা শম্বলদা পরেং-পরেং য়ান্দুনা থম্মী। লৌরোক পন্থা লাকপা মতমবু পাম্নদবা কনা য়াওবগে। সনা ফৌনা মুল্লকপদা লৌমীশিংনা মদু য়েংলগা পেঞ্জবসিদি। লৌমীখক্কী ৱাঙাক নত্তে, পূম্নমক্কীনি। হায়নরিবনি, পোইনুদদি উচি ফাওবা মবুক থনবা ঙমজে। ঈশৈদসু শৈথারি অসুম্না - লৌখাও মতম ওইরগা খাওনি সনা ফৌ/মীনাই য়োৎহুিং কোক্কনি, সনা লৈবাক ইমাগী/থাঙ্গোল অদু ময়া থাংঙু থৌনা। অদুবু লৌরোক পন্থাগী নুংঙাইনা হরাউ মোমোন মীনোক তমজগদবা মতমদা হোজাইদদি মিহুন চেঙ্গুম চেঙ্গাননা করিবু থোক্লগবা হায়না লৈনরি। ফৌ মুল্লকপা মতমদা শামু ময়াম লাকপদা ফজনা কংলবা শম্বল ওইনরম্বা য়ুবী অমদি ক্বা মকুশিংদু মৈ থারগা তাল্লি হায়। মদুদা শামুশিংসু কিদুনা অদুমক চেনখিবজাৎনি। মখোয়না পাউদম্বীরকপদা ইলেক্ট্রিক করেন্ট শীজিন্নবদগী হায়রিবা পাম্বে অসিনা কান্নবা য়াম্না হেল্লি। কনাগুম্বশিং, মরুওইনা ময়াংশিংদি য়োৎ মচৈ অশাংবদা ফি য়েৎশিল্লগা, মদু মৈ থারগা শামুশিংদু কোয়তান তাল্লি হায়। লৌরোক পন্থা মতম য়ৌরকপগা শামুশিং লাক্তুনা ফৌশিং অদু মাঙহন তাকহনবদগী কন্নবা ফৌশিংদু খাওরবা মতুংদা য়ূমদা হোনগৎলগা পৈদুনা থম্লে। থমগদৌরিবা মফম অদু ৱাই শিং নান্না তৈথোক্লগা থম্মী। অসুম্না য়ূমদা পৈশিন্দুনা থম্লবা মতুংদা লৌ য়ৈবগী থবক পাঙথোকই। হৌজিক্তি ট্রেক্টরনা ফৌবৈ মথক্তা থৌরগা য়াম্না কোম্না লৌ য়ৈনরে হায়বা য়াই। তাঙ্গা ফংলিঙৈদা লঙ্কা টাউন য়ৌশিল্লুই। লম্বীগী নাক য়েত্তা লৈরিবা লৌবুক লমহাংদা য়েংলুই। লৌরোকথাদা নোং তাখিবজাৎনি, ইঙা ইঙেনদৌনা। লৌবুক্তা লৈহৌবা শামু খোঙ্গুলশিংদু উবদা কিজবনা। ঐখোয়গী মণিপুরদদি শামু তোয়না উবা ফংদে। নিংথৌ লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদা নিংথৌনা তোংলগা লাকই হায়না ইমাখোয়না ৱারী লীবিখি। অঙাং ওইরিঙৈদা নোংমফাদোক শামু অমা লাকপদা কুম্মৈ অমগী মতৌগুম্না য়েংনবদু থেংনহৌই। লাই লাকপদৌনা য়াম্না কিনা লুনা চান থক্লবা অশং অমান্নচিংবা ময়াম অমা পুথোক্তুনা কৎনৈ। হায়রিবশিংদু মনাতোন্না কোৎলগা চাবদু য়েংবা নুংঙাইখি। খোংনাং মসাসু পোক পোক থুদেকখ। ইন্দিরা সর্কস হায়না মিংথোনবা সর্কসকী কুম্মৈ অমা পাঙথোকখি। মীতোপশিংনা পাঙথোকপা কুম্মৈনি। মদুদা শামু খরা য়াওখি। মতুংদদি শামু অমুক হন্না উখিদ্রে। হোজাইদদি ফৌ, য়োংচাক্লচিংবা মহৈ-মরোংশিং মাঙহনবা অমদি চাথোকপা মরম্না য়েক্লবগুম্না খনবজাৎনি। অসামগী শামুনা ঙাওবা শাথীবসি খরা হেনব্রা। মশীং য়াম্না লৈবদুদা খূৎকন পাঙ্গল্লে হায়দুনা লমথোই লমহেনবসু ওইরম্বা য়াই। ঐখোয়গী ইনিংথৌ ওইবীখবা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বনা তেখাউদা ফাখিবা শামুদু অঙাওবা শাথীখ্রবনি হায়নৈ। পূম্নমক অসি ওইদুনসু, উমং ৱামং কোকশিল্লক্লবদি থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোকপগা লোয়ননা মখোয় নোংমদি মুৎখিবা য়াই।

য়াম্নমক নুংঙাইখিবদি রাজবারি আর্কিওলোজিকেল সাইট য়েংবগী খুদোংচাবা ফংজখিবদুনি। খৃষ্টকী ৯/১০শুবা চহীচাদা লৈরম্বা কোনুংনি হায়। মচেৎ-মচেৎ কায়রবা খুভম ওইদুনসু মচি লেঙহন্দনা থম্বগা লোয়ননা অসাম লৈঙাক্কী আর্কিওলোজিকেল লোইশঙনা ঙাক শেন্দুনা থমখ্রবনি। ঐখোয়গী ঈ মরী ওইবা, মণিপুরগী মপান্দা লৈখ্রবা ইচিন ইনাও, ইমা-ইপা, ইবুং-ইপ্পা ময়ামগা উনরুবগী নুংঙাইবা মহাও অদু কাউবা ঙমগনি থাজদে। অসুম্না কান্নবৈ কান্নবা ঙাক্তমক পুরগা লাকখি হোজাইদগী। অদুবু নুংনাংবা অমদি থম্মোয়দা ফাওরি, মীরোন খরগী তুংদা লমদমদুদা মণিপুরী লোল অসিগী মফম খাক্তুনা থম্বীখিগদ্রা? ●

# লম্বী লম্মাংনরবা মণিপুরী ফুরুপ

- এম থম্বৌ -

অমা থেংনবদা ৱারবা প্রোব্লেম ঙাক্তা, ঙসি মণিপুর ইমাগী তম্পাক্তা লৈরিবা মচা-মশু খুদিংনা থেংনরি। ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা হেক তিনখিবা কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫ মতুংদা লমদম অসি অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লি। কুমজা ১৯৮০গী সেপ্টেম্বর ৮দা অফস্পা ১৯৫৮ নমদুনা থমজিনখি। মদুগী মরুমদা মমল য়াম্লবা মীচম কয়া মরাল ইথি থিদনা পুন্সি কয়া লোইশিনবীখ্র। কুমজা ২০০১গী এন এস সী এন (আই-এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী বেঙ্কোক দিক্লারেসন্দা ঙমখৈ কত্তবা হায়বা ক্লোজ অমা য়াওশিনখিবদগী মণিপুর মৈ চাকখিবনি। মদুদা ইমাগী মনি ওইরবা মপারী-মমোম কয়া থৱায়না পোন্থা পীখ্রবনি। ঙসি ফাওবা জুন ১৮গী থৌদোক হায়দুনা মণিপুর মীয়াম্না কাউবা লৈতনা নীংশিংনরি।

আই এল পিগী ঈহৌদা মমল য়াম্লবা মহৈরোয় সাপম রোবিনহুদ থৱায়না পোন্থা পীখ্রবনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা মণিপুর পিপলস বিল ষ্টেট এসেমব্লিনা পাস তৌখ্রবসু সেন্টরগী অয়াবা ঙাইবদা চহী অহুম হেন্না হৌজিনখ্রে। হন্দক পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখলদা মীতোপ চঙহনবা য়াবগী মওং মানবা সী এ বি, বি জে পিগী মীখলগী মেনিফেষ্টোদা হাপচিনখ্রে। মসি শোয়দনা চৎনবা য়াবা অমা লাক্লগনি। মতম থাবা ঙমদবগী ৱাদনি। বোর্দর পিল্লরগী ৱাথোক অসিসু কোইজাননা লৈ লৈদুনা থম্বীরিবনি। মসিগী মথক্তা ময়াই কাবা চিঙ্গাক কয়া মপান্দগী পুশিল্লক্তুনা মণিপুরগী তুংগী অচৌবা থৌদাং পুগদবা য়ূম্বীরেল ওইরক্কদবা কয়াগী পুন্সি য়াই থাদুনা পংথহল্লবা জিবগুম শুমদুনা থল্লি অমসুং পুন্সি কয়াসু লোইশিনবীখ্রবনি। মসিমক চুমথোকপদা চহী অমা অনীদা য়াগদবা নত্তে। মসি চুমথোক্লবা হোৎনবদা মীরোল অমসু চঙবা য়ারিবনি। থৌদোক ময়াম অসিগী মরক্তা মীশি-মীনাগী পাউ, নুপী অঙাংগী ঈজৎ তেমশিংনবা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। পূম্নমক অসি কুমজা ১৯৮০গী লৈঙাক্লা শক খঙলবা স্কুল ৬০৫ গ্রান্দ পীখ্রবগী তুংদা ঙসি ফাওবদা হন্না য়েংবীদনা অহাঙবা পোষ্ট ফাওবা মেনশিনবীদবা অসিনা অচৌবা ঈরাং অমা হৌনবা এদেদ ওজা পূম্নমক শেম শাবা লোইখ্রে।

অমরোমদা, কুম পুরবা নাগাগী ৱাথোক অসিনা করিগুম্বা মতমদা মথি হেক ফোংবা, তুমিন্না লৈখ্রবসু মনুংদদি ৱামৈগুম ওমদুনা চাক্লিবনি। অসুম্না ৱাথোক ময়াম অসিনা মণিপুর ফুরুপকী মীওই খুদিং লম্মাংনরবা অমদি লম্মুক্লরবা মীওই ওইনা তৌফম খঙদনা লৈরি। ঙসিগী লাক্লিবা মরুওইবা ৱাথোক কয়া অসি মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিল্লুবদগী মণিপুর ষ্টেট মশানা লোইশিনবা ঙমজদবা সেন্টরগী অয়াবা য়াওদ্রবদি পাম্বে লৈতবা কয়া য়াওরি। মসিদা দিল্লিনা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি শান্নদুনা ৱাহৈগী লৈতেং খরনা মণিপুর মীয়ামগী মীৎ থকৎহন্দুনা শুমদুনা থম্বীবনা লোইশিনবদা ৱাবা মীশি মীনা কয়া য়াওরবসু করিসু নাচুংদনা ঙসি ফাওবা লৈরক্লি। তশেংনা সেন্টরদা পানবা লৈঙাক খুদিংনা মণিপুরগুম্বা অপিকপা এম পি অনীদগী হেংদবা লোয়ননা সেন্টরদগী নিবা নৎত্রগদি পার্টি লৈতবা দিল্লিগী লুচিংবা কয়াগী মখোঙ কোন্দ্রবদি থবক অমত্তা পাঙথোকপা ঙমদবা অসিনি অরুবা ওইরক্লিবা।

ঐখোয় ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিন্দুনা ইন্দিয়াগী সিটিজন অমা ওইরবনিনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অতৈদা ফংবা রাইট খুদিংমক ঐখোয়গী ষ্টেট অসিদসু ফংফম থোকই। অদুবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্না কোনশিনবা তরেৎশুবা সেদ্যুলদা য়াওরিবা য়ুনিয়ন লিষ্ট, কনকরেন্ট লিষ্ট অমদি ষ্টেট লিষ্ট হায়বসিদা মণিপুরগী পাঙথোকপা য়াবা ইথৌদাং অসি ফিজং মরুমদা লৈখ্রিবনি। হৌজিক মণিপুরগী মনুংদা এন এস সী এনগী অরোনবা কেম্প কয়া লৈরি। মদুনা মণিপুরগী চীংগী লম অয়াম্বা শরুক্তা সিজ ফায়রসু য়ৌদনা লালহৌবগী মীওই কয়ানা ফোংনা ওপরেট তৌদুনা লৈরিবনি। মসি সেন্টরগী ফোর্স অমদি ষ্টেটকী ফোর্স অনীমক্লা কন্না খূৎ থাবা ঙমদ্রিবসি দিল্লিগী নুংশিৎননি।

কুমজা ২০১৬কী ওক্টোবর ১৯দা মণিপুরগী দি সী ফমদুনা লৈবাক ঙাক্লিবা মফম অদুদা নাগালেন্দগী সী এম লাক্তুনা সেনাপতিদা মণিপুর কায়নবা য়ু এন সীগী লুচিংবা য়াওরগা ৱাফম কয়া ঙাঙখ্রবনি। কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩গী ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবদা মণিপুর মচা কয়ানা এগ্রিমেন্টকী ৱাফম পূম্বা ফোঙদোক্লবা ঈহৌ শাগৎপদগী ঙসি ফাওবা ফোঙদোকপা ঙমদনা লৈরিবনি। মসিনা তাক্লিবদি মণিপুর কায়বা য়াবা নৎত্রগা মণিপুর মীয়ামদা শাথিনা শোকপা য়াবা খরা য়াওরে হায়বসি চেনবা য়াররোইদবা অমনি। মনি চরানামৈনা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুসনগী এম পি ওইবদা আই এম নোট এ মণিপুরী বট আই এম এ নাগা হায়বদা মণিপুরী কয়ানা অপূনবা এ সী নিপানগী মীয়াম্না মখোয়গী রাইট শিনখ্রবা অদুগী মথক ইন্নরদা লৈরিবা এ সী ৩২ অসিগী মীওই খুদিংদা ওনশিন্দুনা য়াম্না থওইদবগী মওং অমা উৎখ্রবনি। থৌওং অসি মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী মীহুৎ ওইনা এম পি ওইনা দিল্লিদা থাবদা মহাক্কী মত অদুদা করিগুম্বা এক্সন অমফাওবা লৌবা ঙমদবা অসি ফুরুপ অসিগী ওইনা লাইবক য়াম্নমক থীবনি। নাগাগী ৱাথোক অসিদি মতম কুইরবনা মরম ওইরগা চীংদা পোষ্টিং তাবা লমদমসিগী লৈঙাক্তা অচৌবা থৌদাং লৌরগদবা ওফিসর কয়াগী পুন্সি কয়া মীহাৎ থীনা হাৎপীখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিনখিবদগী হৌরকপা ঈহৌ ওইবনা অৱাং নোংপোক সিমান্তগী নীংখা তম্বা লৈবাক অমা শেম্নবা প্রোফেসর কুপলেন্টগী প্লান মতুংইন্না চৎনরম্মী। মদুগী মতুংইন্না কুমজা ১৯৪৭কী নবেম্বর ৪দা মিষ্টর ফিজোগী লমজিং মখাদা কোহিমা নাগা পরিষদনা থা অমগী মনুংদা নাগা তাবা ফুরুপকী লম মখোয়না ৱায়েঞ্জবা শ্বাধিন ওইবা য়াদ্রবদি কুমজা ১৯৪৭কী দিসেম্বর ৬কী মতুংদগী ইন্দিয়া মনুংদগী তোপ্পা লৈবা হায়বা অইবা চেরোল ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা পীশিনখ্র। নাগা পরিষদনা মণিপুরগী ঙমখৈ লানশিল্লক্তুনা মাও, তাঙ্খুল, তুএন্সাংনচিংবা লম কয়া নাগা ফুরুপকী মনুং চন্না লৈবনা মণিপুরগী মহারাজদা অইবা অমসু পীরকখি। তাঞ্জা অদুদা মিষ্টর এ ডাইহোগী লমজিং মখাদা মাও মরামগী শরুকমখৈ নাগালেন্দদা তিল্লনি হায়বা অকনবা ঈহৌ চঙশিল্লগনি হায়বা ফিরেপ লৌরকখি।

মতাং অসিদনি ঐখোয়গী লুচিংপুরেল ইরাবতকী থৌদাং ঐখোয়না কাউবা ঙমদ্রিবসি। ইরাবতনা লুচিংবা মণিপুরগী চীং-তমগী অপূনবা কাঙবু অমনা কোহিমাগী ফিজো উনদুনা অৱাং নোংপোক্কী পোলিটিক্সকী মরমদা খন্ন-নৈনখি। মণিপুর কায়বা য়াবা তাঙ্গা লাক্লবদা কুমজা ১৯৪৭কী নবেম্বর ৩০দা এম দি য়ু হোলদা মণিপুর প্রজা সঙ্ঘ চীং তমগী দলশিংগী অপূনবা প্রতিনিলি সভা শীন্দুনা মীফম পাঙথোক্তুনা চীংগী পার্টি, তমগী পার্টি মরিগী অপূনবা মীহুৎ মাপন তিনখি। মদুদা পার্টি অমমমদগী লুচিংবা অমমম লৌরগা ফ্রন্ট অমা শেমখি। ১) এম কে সিমরে (তাঙ্খুল-লোং) (২) লুনে (কুকি নেসনল এসেমব্লি) (৩) মিষ্টর কাখগাই (কবুই এসোসিএসন) (৪) মিষ্টর তেবা মরিং (খুলমি-য়ুনিয়ন) (৫) মিষ্টর ডেনা (মিজো য়ুনিয়ন) (৬) শ্রী লম্ফেল (মৈতৈ মরুপ) (৭) ইবোমচা (মণিপুর কৃষন সভা) (৮) শ্রী ইবুংঙোহল (নোংপোক অপূনবা মরুপ) (৯) ইরাবত (মণিপুর প্রজা সঙ্ঘ) অমসুং সুলৈ মিঙ্গা য়াইরিপোকনি। মখোয়না মাঙদা তারিবা কোহিমাগী ৱাফম খন্নরবা মতুংদা মিষ্টর ফিজো অমদি নাগা নেসনল কাউন্সিলগী লুচিংবশিংগা উনদুনা লৈবাক্কী ঈং-তপ্পগী ৱারী শান্নবা চৎপদা য়ানখি। মদুদা ইরাবত অমদি মিষ্টর লুনে অনীনা লুচিংদুনা সী এম কে শিমরে, মিষ্টর কাখংগাই, মিষ্টর তেবা, মিষ্টর ডেনা য়াওনা কোহিমাদা চৎতুনা অহিং লেক্তুনা ঈং-তপ্পগী ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুরকখি।

অসুম্না নাগা নেসনল কাউন্সিলগী অলটিমেটম কুমজা ১৯৪৭কী দিসেম্বর ৬তা হন্দোকখরম্মী। অদুমা মিষ্টর দাইহোগসু উনদুনা ৱারী কয়া শানরমখি। মণিপুরগী মাংদা তারিবা ইস্যু অসি লোইশিনবদা ঐখোয়না লাম্বা ফংদবা ৱাফম কয়া ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনদি কোম্না অমদি মনীং তম্না লোইশিনবা য়াই। মরমদি জম্মু কাশ্মীরগী ইস্যু অসি কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লগা লোইশিনবা য়াগনি খনবগুম নাগাগী ইস্যু অসিসু কন্সটিট্যুসন্না নাগাদা পীবা রাইট ময়াম য়াওবা আর্টিকল ৩৭১ লৌথোকপদা ৱারোইশিন অদুম লোইরবনি। মসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৈ লৈদুনা লৈবনা ঙসি ইন্দিয়াগী ষ্টেট পূম্নমক্তগী মণিপুরনা ইস্যু খ্বাইদগী য়াম্না মায়োক্লবা ষ্টেট অমা ওইরিবনি। মসিদা ঐখোয়না চৎকদবা লম্বী অসিবু কদোমদনো?

ঙসিগী ঐখোয়গী ফুরুপকী মীয়াম্না লম্মুক্লরিবা অসি ঐখোয়গী লুচিংবা কয়ানা তুংগী য়েংবীদনা সেন্টরনা ঐখোয়গী মীয়াম্বু তঙ্খাই অমা হাৎতুনা থম্বীরিবনি হায়বসি খন্থবীদে। অসিগুম্বা অসিদগী কনবা ঙম্নবা ইরাবতকী থৌনা লৌশিং কয়া নীংশিংবা চুমগনি।

মতাং অসিদা মণিপুর কন্ননবা হোৎনবা অসি থেংমল্লবনি। মতম চানা থবক তৌহৌদবগী খুদোংথীবা কয়া নংবসু য়াই, নংসু নংলিবনি। অসুক য়াম্না লম্মুক্লরবা তাঞ্জা অসিদা ঐখোয়গী মীয়ামগী অচেৎপা ফিরেপ, অপূনবা লিংজেল অমদি থৌনা হন্থবা ৱাখল পরিং অমা য়াম্না চাউনা চঙই। অসিগুম্বা মতম অসিদা ঐখোয়না চেকশিনহৌদ্রবা ঐখোয় তুংগী লম্বী অপূনবা মুৎখিদুনা মণিপুর হায়বা লমদম অমা লৈরম্মী হায়বসি নীংবখক্তা ঙাইহৌরনি। খরা লৈরগদি মসি অসুম অসুম মমি শামখিদুনা নোংমদি মণিপুরগী মমিং ফাওবা লৈররোই। অদুনা ঙসিগী চিরবা মতম অসিদা ঐখোয়গী ফিরেপ অমদি খোঙফম অমা চেৎনা শেমহৌসি। মসিতনা মণিপুর কনবা ঙমগনি। ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### ইশানা ইশাগী অফবা লোনচৎ শেম্লসি

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

ঐখোয়না উরিবা অহিংবা জিব পানবা অমদি উ-ৱা, নাপী-শিংবীশিং পূম্নমক অসি মশাগী ওইবা মতিক ময়াই লৈজে। হায়রিবা মতিক ময়াইশিং অসিনা মশাবু শেন্নদুনা লৈজে। জিবশিংগী মতিক ময়াইগী মতেংনা পীরিবা চাবা-থকপা, তূম্বা, ৱা ঙাঙবা, লেংবা-চৎপা, ৱাখল খনবা, থবক-থৌদাং পাঙথোকপগী মথৌ ময়াম অমা পাঙথোক্লি। মনুং-মপানগী ওইবা মথৌশিং হায়বদি হকচাং মনুংদা চাশিনখিবা খুদিংমক মা-মাগী মফমদা শিন্থুংনা য়েন্থোক্তুনা অফবা-ফত্তবা খুদিং তুংশিনবা, থাদোকপা উবা ফংলিবনি। হকচাংদা অশোকপা হায়বদি উনশা তৎপা, মতোমতা তাইশিন্দুনা ফখিবা, শৰূ তেকপা পুনশিন্দুনা থল্লগা মতোমতা শম্নখিবা, পাম্বীসু অতেকপা অদু মতোমতা শম্ননখিবা অসিনি।

শা-ঙা অমদি অশোক অপন য়াওরবসু মতোমতা ফজখি। নারবা মতমদা য়েংবীয়ু য়ূমদা লোয়বা হূই-হৌদোংনা পামজবা চানবা পোৎলমশিং পীজবদা খক চাও হায়বা য়াদে, মদুগী মহুত্তা অচিকপা মফম থিদুনা তুমিন্না পোত্থাদুনা লৈখি। অসুক য়াম্না ফজ খ্রবা মহৌশা কৌবী লাইরেম্বীনা শেম্বীরম্বা ঐখোয় ইশানা ইশাবু মাঙনবা শিন্দুনা খঙনা খঙনা ফত্তবা চিঙ্গাক চাদুনা ইশাগী পুন্সিদা লায়না-তীলনা লৈহল্লি অমসুং অরানবা ৱাখল্লোন্দা মায় ওনশিনবা অসিনি লুরিবদি। ফত্তবা লমচৎ-শাজৎনা ইশাদা মাঙজদবা নত্তনা খুন্নাইদা লোয়নরিবা মরুপ-মপাং, ইমুং-মনুংদসু কয়াগী মতিক ৱাহল্লি। মসি খুদিংমক ইশানা থোকহঞ্জবা ঙাক্তনি হায়না থমজনীংই।

অফ-ফত্ত, অচুম-অরান খঙনা খঙনা ঙাইহাক্কী ওইবা নুংঙাইবা পাম্বনা মীওৎমীনৈ, হুরান-চিন্থি, মীহাৎ-মীপূনশিং অসি খন্থবা ৱাৎপা মরম্না থোকখিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। শম্না পঞ্জরবদা ফত্তবা চিঙ্গাক নৎত্রবসু কা হেন্না চাশিনবদা হকচাংদা অৱাবা কয়ামরুম পী। হেন্না চারমদ্রবদি সিগী চৈনা অসি ফংলম্লোই। অদুগুম্না ফত্তবা থবক অমদি ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নরবদি মদুগী মহয় শোয়দনা ঐখোয় ইশা ইশদা ফংগনি। ইশাবু নাদ-য়েক্তনা পুন্সি নুংশাংনা লৈগে খল্লবদি অফবা চিঙ্গাক চাবা, হকচাং শাজেল তৌবা, চাং নাইনা চাবা-তূম্বা, অফবা ৱাখল খনবা, ইথৌদা পূক্লিং চংবা তঙাইফদে। মওং মতৌ চুমদবা, চাং নাইদবা, ফত্তবা চিঙ্গাক চাশিনবা, মতমবু খঙদবা, তূম্বা-চাবা চাং নাইদবা অসিনা মরম ওইদুনা হকচাংদা লায়না কয়ামরুম পোক্তুনা নুংঙাইফম খঙদে। অদুগুম্না ফত্তবা থবক, চিঙ্গাক মরুওইনা ইশাগী পূক্লিং লাকশিন্দুনা অফ-ফত্ত মুন্না খন্থবা, ৱাখল খন্থনবা মীওইবদা পীরিবা মহৌশাগী ওইবা মতিক-ময়াই অসি নিংথিজনা শীজিন্নবা তঙাইফদে। হৌজিক চাওখৎলবা তৌগে হায়বদা তৌবা ঙল্লবা কম্প্যুটরগী মতম অসিদা অরানবা লম্বী চংগে খল্লিবা ৱাখল অদু ইশা ইশানা থাদোক্লবা হোৎনরসি । থায়না মমাঙৈ ষণ গাড়ী শীজিন্নদুনা পোৎ চৈ হোল্লম্বা অদুগী মতমদু হৌজিক্তি নৎত্রে। মরম অসিনা মীনা তাক্তুনা তম্বা নত্তনা ফত্তবা লম্বীদা খোঙদাবদি ইশানা ইশাবু ৱারকচবা নত্তনা মীনা ৱারকপগী মতম নৎত্রবনি। ফত্তবগী হৈনবী, অতনবগী ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা অফবা অচুম্বা লম্বীদা খোঙদারসি হায়না পাউজেঞ্জরি। ঐসু মীনি, মীনা তৌখিবা অফবা থবক, নুংঙাই-য়াইফবা ওইখিবা পূম্নমক অদু মখোয় মখোয়না হোৎনজখিবা অদুগী মহয়ননি খন্থনদুনা ঐসু করিগী ঙম্লোই হায়বা অচেৎপা ৱাখল্লোন থমদুনা হোৎনরসি।

অদোমগী - অথোকপম তোম্বা, ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল

## মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহৈবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।